## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.983356 |
| US Dollar | 74.391187 |
| British Pound | 100.002256 |
| Australian Dollar | 53.911565 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.644239 |
| Japanese Yen | 0.653453 |
| Malaysian Ringgit | 17.784950 |
| Singapore Dollar | 54.667634 |
| South Korean Won | 0.062493 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.837650 |
| Thai Baht | 2.270532 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 48705.00 |
| Mumbai | – | Rs | 49680.00 |
| Delhi | – | Rs | 49530.00 |
| Kolkata | – | Rs | 49930.00 |


## GAS NEWS

**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPT15/10/21**
VALID FROM08/10/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868 OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM
WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS

**KHORIPHABA NAMBOL Bk. Uptodate**
Timing:6am to 10am
Home delivery no : 9366471778, 8974087390, 8787632782

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available :07-11-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxxxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING upto -19-10-21,**
VALID FROM 05-10-2021,
**STOCK : 306**
HOME DELIVERY ONLY.CONTACT NOS: 9862836403 , 8415050488 , 9862283423, CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**CANCHI INDANE SERVICE BOOKING UPTODATE**
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto10-11-21**
Only home delivery within 4 days
Office no. 8794313865
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 11.am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C 7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung 7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking upto 02/11/2021**
Valid from 08/10/2021

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.


## ‘লমন মখাক’ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : ঙসি ইম্ফালগী হিন্দি পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রমনা সমোম রঘুমনিনা ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘লমন মখাক’ ফোঙদোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অসিদা সাহিত্য একাদেমি যুব পুরুস্কর, ২০২০গী মনা ফংলকখ্রবা অইবা রামেশ্বর শরুংবমবুসু লেংয়ান ফী খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অসিদা অইবা এস রঘুমনিনা লাইরিক অসি মহাক্না কুমজা ২০১০দগী হোৎনজরক্লবা মতুংদা ঙসি ফোঙবা ঙমজবনি। কুমজা ১৯৮১দসু ‘ইমাবু অমুক্তদি কনসি’ হায়বা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ফোঙখ্রে হায়খি।

## ইবুধৌ মোইরাংপোকপগী শঙলেন শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : শগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ আর কে ইমোনা ঙসি কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা নৌনা শাবা ইবুধৌ মোইরাংপোকপগী শঙলেন অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা শঙ্গাখ্রে। শঙলেন অসি এম এল এগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী লুপা লাখ ২৫ চঙনা শাবনি অমসুং কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা শঙ্গাবগী মতম থেংথখিবনি হায়খি। লোয়ননা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবদি লৈঙাক্না থাদরকপা চাওখৎ থৌরাংশিং মীয়ামদা য়ৌহন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## জেলদা ১ থাজিনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* থাজিনখ্রবা মীওই অদুনা লাইশ্রম লোকেন্দ্রো (৩৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল মহাদেব কৌই অদুগা বেল পীখ্রবা মীওইশিং অদুনা মহাক্কী মচন্নুপী দোলি লাইশ্রম (২৯), লাইশ্রম সুরচান্দ (৪৩) অপোকপা এল জাদুমনি অমসুং মহাক্কী অপোকপী মমা লাইশ্রম ওংবী সোনোলতা (৭০) নি। মখোয় লোইনমক মোইরাংখোম শৌগাইজম লৈরক্তগীনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয় ৪বু কেস অসিগা মরী লৈননা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা মীওই ১ জেলদা থাজিনখ্রগা ৩না বেল পীখিবনি।

## ইন্দিরা গান্ধীগী মপোক কুমওন...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্দিরা গান্ধীগী ফোটোদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেন, সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবী, সী দল্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, কোংগ্রেসকী এম এল এশিং অমদি এম পি সী সীগী থৌমীশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী লৈখিদ্রবী ইন্দিরা গান্ধী খ্বাইদগী হেন্না থৌনা ফবী লুচিংবীশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক মরৈবাক মরমদমগীদমক কত্থোকখিবা লুচিংবীনি।

মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা হায়রম্বা ৱাফমশিং মতম পুম্বদা নীংশিংদুনা লৈরি। মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম ঙাক্লনবা হোৎনবদা থৱায় ফাওবা থাখি। মহাক লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী মরক্তগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টরনি।

লুচিংবী অসিনা ইক্কেলিটি, সেক্যুলরিজম ঙাক্লনবা অমদি দিমোক্রেসি কন্ননবা হোৎনরম্বশিং অদু কোংগ্রেসকী কর্ম্মি খূদিংমক্না তুংইন্ননা চৎসি। মহাক্না পামজরম্বশিং অসি থবক ওইনা ওন্থোক্লবা মতমদা ঐখোয়না লুচিংবী অসিগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপা হায়বদু ওইগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## কোংগ্রেসকী স্ক্রিনিং কম্মিটি শেমখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*

চেরোল অসিগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনা স্ক্রিনিং কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেননা জয়রাম রামেশনা ওইগনি। অদুগা প্রদ্যুট ব্রোদোলোয় অমসুং রকিবুল হুসেননা মেম্বরশিং ওইগনি। স্ক্রিনিং কম্মিটি অসিগী এক্স-ওফিসিও মেম্বরশিংনা এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাস, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেন, সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবী অমসুং এ আই সী সীগী মণিপুরগী সেক্রেটরি ইন-চার্জনা ওইগনি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা ঙসি শেমখিবা স্ক্রিনিং কম্মিটিশিং অদু উত্তরখন্দ অমসুং গোৱাগীসু য়াওরি।

## সী এম য়াওনা হার্ট পেসেন্টশিং...

*লামায় ১গী মখা...* ডা. এল শ্যামকিশোর অমসুং মহাক্কী কাঙবুবু মীওইবগী থৌগল তৌবসি ঈশ্বরগী থৌগল তৌবনি হায়দুনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক মশা মউ ফনা থমগদবনি হায়রদুনা চীফ মিনিষ্টরস হেল্থ ফোর ওল হায়রিবা স্কিম অসিসু মীয়াম্না মখোয়গী হেল্থ চেক-অপকী থবকশিং যূমথোঙ খুদিংদা ফংহন্নবা হৌদোরকপনি। মসিনা অনাবা অদু মতম চানা খঙহৌরগদি পন্থদনা লায়েংবা ঙমহনগনি হায়খি।

টেলিভিজনদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমদা পেনেলিষ্ট অমনা মণিপুর সেক্রেটরিএটকী ফাইল প্রোসেসকী থবক্তা থেংথখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা শেংদোক্লদুনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা ঈ-ওফিস ফাইল মেনেজমেন্ট সিষ্টম চৎনরি হায়খিবগা লোয়ননা অকক্লবা থবক খরখক্তদা হান্নদগী চৎনরকপা পেপর ফাইল নৎত্রগা দাক সিষ্টম চৎনরি হায়খি।

## বি জে পিনা ভোট ফংলরোই ...

*লামায় ১গী মখা...* খোঙজংদা মতম পুম্বদা শৌগৎতুনা লাক্লিবা কোংগ্রেস পার্টি অমদি অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগীসু অচৌবা মায় পাকপনি। ফার্ম লো অহুম হন্দোক্লনবা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিবুদি তরাম্না ওকই। অদুবু খোঙথাং অসিমক্তি লৈবাক অসিগী লৌমীশিংবু তশেংনা নুংশিবা অমসুং মখোয়গী অৱাবা উবীবগী নত্তে। লাক্লিবা মীখলদা শোক্লক্কদবা কয়া অদু য়েংলগা লৌরকপা খোঙথাংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এম পি সী সীগী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## চীংদা পুং ২৪গী শটদাউন অমসুং মতম কক্তবা ব্লোকেদ...

*লামায় ১গী মখা...* ঙমদবদগী লূপ অহুমসিনা হান্না লেপখিবগী মতুংইন্না টোটেল শটদাউন অমসুং মতম কক্তবা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজংশিং অদুমক চত্থরগনি হায়রি।

অটসুমগী ইনফোর্মেসন অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরি খাইমিনলেন দোঙেলনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না মহৈরোয়শিংগী লূপ অহুম অসিগী মীহুৎশিং য়াওনা ঙসি চীফ মিনিষ্টরগা হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌখ্রবা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) এ দি সী বিলস, ২০২১গী মতাংদা ৱারী শানখি। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা ঙমদবদগী হান্না লূপ অহুমসিনা চত্থগনি লেপখিবা খোঙজংশিং অদু অদুমক চত্থনবা ফিরেপ লৌরে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস এক্ট, ১৯৭১ অসি পার্লিয়ামেন্টকী এক্টনি অমসুং এক্ট অসিবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা রীপিল তৌবা ঙমদে হায়না মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামদা নমথাক তৌবগী থবক অসি লাইবক থীবনি হায়রি।

ওক্টোবর ২৭, ২০০৮দা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরিএট: লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রসনা ফোঙখিবা মণিপুর গেজেট (এক্সত্রা ওর্দিনরি) গী মতুংইন্না মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস এক্ট, ১৯৭১ অসি মণিপুর (এদাপটেসন ওফ লোজ) ওর্দর, ১৯৭২গী মখাদা মরী লৈনবা শেমদোক শেমজিন্নচিংবা তৌরগা অদুমক চৎনদুনা লাক্লিবনি হায়রি।

মরম অসিনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এমেম্লিনা হায়রিবা এক্ট অসিবু কুমজা ২০০০দা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস এক্ট, ২০০০ (মণিপুর এক্ট নম্বর ১১ ওফ ২০০০) শেমদুনা রীপিল তৌখিবনি হায়রি।

মরম অসিনা কুমজা ২০০০দা শেমখিবা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস এক্ট, ২০০০না রীপিল তৌখিবা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস এক্ট, ১৯৭১ অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না মীয়াম্বু লান্না লমজিংবগী থবক তোক্কদবনি অমসুং হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌরক্লবা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১ অসিবু খন্ননবা এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম অমা কৌগদবনি হায়রি।

## জোইন্ট ত্রাইব ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, থাদৌ অমসুং...

*লামায় ১গী মখা...* ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অসি থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (টি এস এ) না মসিগী মায়োক্তা লেপ্পি হায়বগা লোয়ননা শৌগৎলোই হায়রি।

অমরোমদা থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, তেংনৌপল ব্রাঞ্চ অমসুং জোমি ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, জেনরেল হেদ ক্বার্টরস (চূড়াচান্দপুর) গী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমনসু চত্থগনি হায়রিবা খোঙজংশিং অসিদা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন অসিনা শৌগৎলোই হায়রি।

## এন আর এফ এমনা পোকখায়হনখিবনি...

*লামায় ১গী মখা...* (এন আর এফ এম) গী সেন্ত্রেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মথোং হুক্তবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা কন্না হোৎনবা লমদমসিদা শাথৌরিবা অঙকপা মখলগী মীওই কাঙলূপ কয়া লেপ্লা লৈতনা অঙম অথৌ কয়াগী ইমুংশিং য়াওনা মখোয়গী মীৎয়েংখাদা থোরকপা হায়বসি ইরমদম অসিগীদি খ্বাইদগী লাইবক থীবা তাঙ্কক ওইররে। অঙম্বা কয়াগা লোয়নদুনা, খূৎপু শেমদুনা কাউ থাবগুম থাদোরক্লিবশিংবু তুম্না লৈখা তানবা থৌশিল অমগা লোয়ননা চত্থরকপা লো মপুগী তেংবাঙলোইশিংগী লাল্লোং এন আর এফ এমনা মায়োক্লগনি হায়রি।

নত্তবা লম্বীদা মীয়ামগী ঈ থক্লিবা লমলানবা মপান লমগী ময়াং লল্লোনবা কয়াগী অরাংফম ওইরিবা খৌবুনাই অমগী শক্তম লাংলিবা অরানবা লম্বী চুমথোকচবা ঙমজদবা কয়াবু লূপ অসিনা চৈরাক পীগনি। ঙরাং অয়ূক পুং ৪ রোম তারকপদা কাইরং মৈতৈ পাঙল ময়ায় লৈকায়দা লৈবা এম দি তোলেনগী মতম কুইনদগী অথিংবা কয়া নাচুংদনা ক্বা মনাগী লোৎফম, পৈফম ওইরিবা মফম অমদা এন আর এফনা বোম পোকখায়হনখিবনি। অরানবা শাজৎ চুমথোকচনবা অশোক অপন থোক্তনবা হোৎনখি হায়রি।

পাউজেল অসিনা খুন্নাইগী মাঙনবা তৌরিবা কয়াদা চুমথোকচনবা তাঞ্জা পীবনি। অরানবা তৌরিবা কয়ানা অশি অনা ফংনবা হোৎনবীগনু হায়বদি ফত্তবা লম্বী থাদোকপীয়ু হায়বনি হায়রি। ইফোং ফোংনা অচুম্ববু শীংনবগী হৈনবী চুরবা অরানবা লম্বী অদু চৎনবা হোৎনবদা তৌগদবা-তৌরোইদবা খন্থদনা মশাগীতা খনখিদুনা মসিনা খুন্নাই অসিদা নত্তনা নীংতম লান খোঙচৎ অসি তুং হন্দুনা চৎনবা য়াম্না মরীক চুম্বা লাল্লোং অমা ওইনা য়েক্লবগী খূৎচাবী ওন্থোরকই। মসিনা খুন্নাই অসিগী লেম্ফুগী মরা ককথৎপগুম ঙসিদি ঐখোয় খুন্নাইদা অচৌবা পোৎলুম ওইহল্লক্লি হায়রি।

অদুবু নুংশিরবা ইরৈচা কয়াবুদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী খয়াৎতা ইনশিল্লিবশিংদি এন আর এফ এমনা য়েক্লবা অমদগী য়েংবা মীৎয়েং অদুদগী তারোই। মপান্দগী পুশিল্লকপা মখল কয়াগী হীদাক মনাগী পোৎলম মতম কয়াগী মমাঙদগী লূপনা থিংদুনা লাক্লি। অথিংবা কয়াগী খুদোংচাবা লৌদুনা য়াম্না ফবা শেন্দাল লম্বী ওন্থোরকপা ময়েক য়াম্না শেংলবা ক্বা মনা লল্লোনবা কয়াগী মথক্তা এন আর এফ এমনা অথিংবা লাউথোক্তুনা লাকখ্রবনি। মসিগী মায়োক্তা লৈববু তপ্পা থুবা, মফম মতম লৈতনা লূপনা অঙম্বা থাক্তা থিংনবা ফিরেপ লৈ। মসিদা মীশি মীনা থোকপা য়াই, ইশা ইশানা খঙবীয়ু। মরু ওইনা হায়রিবা পোৎলমশিংসিবু লল্লোনবা মখোয়গা নক্লবা অদোমসু খুদোংথীবা থেংনদনবা লূপনা হায়জরি হায়রি।

ময়াই কাবা চিঙ্গাক কয়াগী লমজেল তান্নফম ওইরক্লিবা লমদম অসিগী মীনুং হুৎ মশাগী ফুরিৎখাওগীতা খনবা, মরৈচাগী মীনুংশি চঙদ্রবা ৱাখল অসি থাদোল্লসি। ঙসিদি লমদম অসিদা মরা তারবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মীওইশিংগী খুন্নাই অমা ওইরক্লবা শিল্লিবা অমদি মসিবু থিংনবা মায়কৈ অমা/অনী য়েক্লবা ওইনা উনরক্লে। থৌশিল শোয়রবা, শোয়নাইরবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী শেঞ্জাও পায়বা পুন্সিরোল শাগৎনবগী লৈঙাক্কী খূৎতা তারুবনা লৈঙাক্না মমায় চুমখিবদগী লোইলম ওইরিবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা হেন্না পোৎলুম ওইরিবনি। মসি খঙনা অমসুং খন্থনা ঐখোয় চেকশিনসি হায়রি।

## ৱাথোক ওইরক্লিবা ফার্ম লো ৩ মোদিনা রীপিল তৌরগনি ...

*লামায় ১গী মখা...* পুথোক্লিবা পূন্নমক্কী কান্নবা ফংহন্নবা থবক তৌরগনি। অফবা থবকশিং তৌরকপদগী মহাক্না কৈদৌনুংদা নাথৈদুনা চৎলোই হায়রদুনা মহাক্না লৈবাক অসিগীদমক্তা তৌখিবা থবকশিং অদু লৈবাক মীয়ামগীদমক্তনি। মহাকপু থাজবীয়ু, মীয়ামগী মঙলান মঙফাওনহন্নবা মখা তানা মহাক্না থবক তৌখিগনি হায়খি।

লোয়ননা মহাক্কী লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী ক্রোপ পেটর্ন হোংদোক্লবগী মতাংদসু থবক লৌখৎলি হায়খি। মীয়ামগী থবক তৌরকপা চহী ৫০ অসিগী মনুংদা লৌমীশিংনা ফার্ম লো ৩গী মায়োক্তা শীংনরকপশিং মহাক নীংথিজনা খঙলে হায়রদুনা মহাক্না কুমজা ২০১৪দগী লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থৌগল তৌনবগী খুদোংচাবা ফংলকপদগী লৈবাক অসিগী এগ্রিকল্চর অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং খ্বাইদগী মাঙজিল থানা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি হায়খি।

হৌজিকসু লৌমীশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক মখোয়দা মরূ-মরাং য়েন্থোকপা, ইন্সুরেন্স পীবা, মখোয়গী পোথোকশিংগী য়োনফম কৈথেল লৈহনবা অমসুং মখোয়গী শেল তুংশিন্নবগীদমক থৌরাং ৪ পায়খৎলে হায়খি।

লৌমীশিংদা অফবা মখলগী মরূ-মরাং য়েন্থোকপা খক্তা নত্তনা মখোয়দা নিম কোটেদ য়ুরিয়া, সোইল হেল্থ কার্দ অমসুং মাইক্রো ইরিগেসনগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

লৌমীশিংনা হোৎনজমনগী চপ চাবা মহয় ফংনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলগনি হায়রদুনা হৌজিক্তি লৈবাক অসিনা খুঙ্গংগী কৈথেলশিংগী তঙাইফদবা মচাকশিং মতিক চানা লৈহনবা ঙম্লে হায়খি। মরম পূন্নমকশিং অসিনা ঙসিদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাথোক ওইরক্লিবা এগ্রিকলচরেল লো ৩ অসিবু লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌরে। থা অসিগী অরোইবা শরুক্তগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা এগ্রিকলচরেল লো ৩ অসিবু মপূং ফানা রীপিল তৌনবগী কন্সটিট্যুনসগী ওইবা থবক থৌরমশিং মপূং ফানা পাঙথোক্লগনি হায়নসু লৈবাক অসিগী মীয়ামদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাজবা পীখি।

নাকল অমরোমদা, ফার্ম লো ৩গী মায়োক্তা থৌনা ফনা লেপ্পল্লিবা ভারতিয়া কিষান য়ুনিট (বি কে য়ু) গী লুচিংবা রাকেস টিকাইটনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি তারবা মতুংদা মহাক্কী য়ুনিয়ননা লো ৩সিগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং অসি পার্লিয়ামেন্টতা ফার্ম লো ৩ অসিবু চপ চানা রীপিল তৌরবা মতমদতা লেপকনি হায়খি।

হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেসকী লুচিংবা পি চিদম্বরমনা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লক্কদৌরিবা ইলেক্সনশিংগী অকিবা লৈবদগীনি হায়খি। ৱাফম অসিনা লৌমীশিংগী অনৌবা থৌশিল নৎত্রগা মখোয়গী থম্মোয়বু হোংহনবদা নত্তনা মীখলদা অকিবা লৈরকপদগীনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনা ফার্ম লো ৩গী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা লৌমী ইমুংশিংগী মীওই ৭০০ হেনবনা থৱায় কৎথোক্তুনা হোৎনজরকপা অদুগী মহয় ঙসিদি ফংলে হায়খি।

চহী ১০ হেন্না য়ুনিয়ন এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইরম্বা সরদ পৱারনসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফার্ম লো ৩ ৱিথদ্রো তৌরগনি হায়না লাউথোরকপগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্টনা লো ৩ অসি মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিং পূন্নমক তানরমদনা মখোয়না অপাম্বা মওংদা শেমখিবনি হায়খি।

অদুগা কর্ণাটাকাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা সিদ্দারামায়াগী মায়কৈদগীদি ফার্ম লো ৩বু লৌথোক্লগনি হায়রক্লিবসি ‘ফ্রীদম ফোর ফার্মরস’ হায়না লৌবা য়াগনি হায়বগা লোয়ননা লো ৩সিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংদা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা লৌমী অমমমদা লুপা লাখ ২৫/২৫গী কম্পেন্সেসনগী শেনফম পীগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুগা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনদি ঙসিগী নুমিৎ অসি লৈবাক অসিগী ইন্দিপেন্দেন্স দে অমদি রিপব্লিক দেগুম্না ইন্দিয়াগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরগনি হায়বগা লোয়ননা মায় পাকপা অসি লৌমীশিংখক্তগী নত্তনা দেমোক্রেসিগী মায় পাকপনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফার্ম লো ৩গী মায়োক্তা হৌরকখিবশিংবু খালিস্তানি অমসুং টেররিষ্টশিংনি হায়দুনা লৌখিবনি। অদুবু লৌমীশিংনা মখোয়গী খোঙজংশিং হন্দোকপা লৈতনা চঙশিল্লকখিবনি হায়খি।

হান্নগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনসু প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি অরানবগী মায়োক্তা অচুম্বনা মায় পাক্লে হায়বা থৌদোক্তুনি হায়খি।

## কোভিদনা শিহনখিবা মীওই ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইনা মীওই ৫০ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ২০, রিমসতগী ১, জেনিমসতগী ১৫ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ১৭নি হায়রি। অদুবু নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৫৭ অসি থারবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,২৪,৭৫৭ (জেনরেল পোপ্যুলেসন- ১,২০,৩৯৫ অমসুং সী এ পি এফ পর্সনেল - ৪,৩৬২) শুবগা লোয়ননা অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,২২,২১০ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৭,৮৬৯ অমসুং সী এ পি এফ পর্সনেল - ৪,৩৪১) শুরে হায়রি। অদুগা অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৫৮৮ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ৫৭২ অমসুং সী এ পি এফ পর্সনেল - ১৬) লৈবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৭.৯৬তা লৈরি হায়রি।

অদুগা ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ২৫৫ অমসুং বি টাইপ ৯১নি হায়রি। লোয়ননা ঙরাং খক্তদা মীওই ৬২৪৬ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীং ২০,৯০,৪১৯ (ফর্ষ্ট দোজ - ১২,৬৭,২১৭ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ৮,২৩,২০২) শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙরাং নবেম্বর ১৮, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৬৬.২৩, অনীশুবা দোজ ৩৯.৯২, চান্দেল অহানবা দোজ ৬৪.৫৯, অনীশুবা দোজ ৪২.৩২, চূড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৫৫.৩৮, অনীশুবা দোজ ৩৭.০৩, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৬৭.৪১, অনীশুবা দোজ ৪৫.১৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭০.৭০, অনীশুবা দোজ ৫০.৫১, সেনাপতি অহানবা দোজ ২৯.৯৩, অনীশুবা দোজ ২১.৩৩, তমেংলোং অহানবা দোজ ৩৬.৩৮, অনীশুবা দোজ ২৩.০৮, থৌবাল অহানবা দোজ ৫৬.০০, অনীশুবা দোজ ২৭.৬৩, উখ্রুল অহানবা দোজ ২১.০৬, অনীশুবা দোজ ১৫.৩৪, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৪.১১, অনীশুবা দোজ ২৩.২৩, কাংপোকপী অহানবা দোজ ১৭.৭৭, অনীশুবা দোজ ১০.৩২, কামজোং অহানবা দোজ ২৯.৫৯, অনীশুবা দোজ ১৮.১৯, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭০.১৬, অনীশুবা দোজ ৫২.৬৯, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩১.৮১, অনীশুবা দোজ ২৭.০৩, নোনে অহানবা দোজ ৩৬.১৮, অনীশুবা দোজ ২৩.৮১, ককচীং অহানবা দোজ ৭০.৯৯, অনীশুবা দোজ ৪৪.৪৪নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৫৪.১৩নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৩৫.১৬নি হায়রি।

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা শগুন তৌনবা হোৎনরম্ব্রা...

*লামায় ১গী মখা...*এপ্লিকান্ট অসিনা হংখিবা ৱাহংশিংগী মনুংদা টেম্পররি মার্কেটতা মার্কেট সেদ/ভেন্দিং সেদ শাগৎপগী চত্থরক্লিবা থবক অসিগী ৱার্ক ওর্দরগী কোপি অমা পীবিয়ু হায়বনি।

অহানবা ৱাহং/দোক্যুমেন্ট অসিগা মরী লৈননা এপ্লিকান্ট অসিগী পাউখুম আই এম সীগী এস পি আই ও/ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর কে চন্দ্রকুমারনা জুলাই ৫,২০২১দা ওফিসল ওইবা চেরোল নম্বর আই এম সী/আর টি আই/আর ও/২০১২ পীরক্তুনা খুল্লকখি। আই এম সীগী মায়কৈদগী পীরকখিবা ৱাহং অসিগী পাউখুমদা টেম্পররি মার্কেটতা অনৌবা মার্কেট/ভেন্দিং সেদ শানবগী চত্থরক্লিবা থবক অসিগী ৱার্ক ওর্দর আই এম সীনা পীখিবা লৈতে হায়রকখি।

অনীশুবা ৱাহংদা টেম্পররি মার্কেটতা শাগৎলক্লিবা অনৌবা মার্কেট/ভেন্দিং সেদকী থবকশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অয়াবা পীব্রা, পীরগনা অনৌবা মার্কেট/ভেন্দিং সেদ শানবগী অয়াবা পীখিবা অদুগী ওথোরাইজেসন/লেট্টর ফোর এপ্রুভেল অদুসু পীয়ু হায়খিবনি। অনীশুবা ৱাহংসিগী পাউখুমদনা আই এম সীনা টেম্পররি মার্কেটতা নৌনা মার্কেট/ভেন্দিং সেদ শাবগী চত্থরক্লিবা থবক অসিগী ওইনা মখল অমত্তগী এপ্রুভেল আই এম সীগী মায়কৈদগী পীখিবা লৈতে হায়রকখি।

অদুগা আর টি আই এপ্লিকান্ট অসিগী অহুমশুবা ৱাহংদনা নৌনা শাগৎলক্লিবা মার্কেট/ভেন্দিং সেদ অসি পোৎফম ফম্বীশিং নৎত্রগা মীচমশিংদা এলোকেসন তৌদুনা পীগদৌরিব্রা, পীগদবা ওইরবদি এলোকেসন তৌবদুগা মরী লৈনবা কোপিশিং পীয়ু হায়খিবনি। অদুগা অনৌবা শাগৎলক্লিবা সেদ অসিদা পোৎফম ফম্বী (ভেন্দর) কয়াদা এলোকেসন পীগদগে, মদুগী মশীং পীয়ু অমসুং পীগদৌরিবা ষ্টোল অমমমদা দিপোজিৎ/সিক্যুরিটি ওইনা থমগদৌরিবা শেনফমনা কয়ানো হায়বা ৱাহংসু হংলকখিবনি। অদুবু অকোনবগী ৱাহং অহুম্মক্কী পাউখুমদা আই এম সীগী মায়কৈদগী ‘রেকোর্দ অমত্তা লৈতে’ হায়দুনা পাউখুল্লকখিবনি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা এঞ্জাং-নাপি অমদি অতৈ পোৎলমশিং য়োনবনা হিংনবগী পাম্বৈ ওইজরক্লিবী মণিপুরগী পোৎফম ফম্বীশিংনা নোংজু-নুংশা মায়োক্লদনবগীদমক অনৌবা মার্কেট/ভেন্দিং সেদ অসি শাগৎলকপনি হায়দুনা হরাওনরুরবসু শাগৎলক্লিবা অসিগী ৱার্ক ওর্দরসু আই এম সীনা পীরমদবা, অয়াবসু পীরমদবা অমসুং শাবা লোইরক্লবা মতুংদসু করম-করম্বা পোৎফম ফম্বীশিংদা কয়াম য়াম্না এলোটমেন্ট পীদুনা ফমহনগদগে হায়বগী রেকোর্দসু লৈরমদবা অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা আই এম সীগী মরী লৈনবা ওফিসল অমদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, টেম্পররি মার্কেটতা হৌজিক শাবা লোইশিল্লক্লবা অনৌবা মার্কেট/ভেন্দিং সেদ অসিগী মতাংদা ঐখোয়দি করিমত্তা খঙদে, ঐখোয়বুসু য়াওহন্দে, খঙহন্দে, থবক অসিগী মতাংদদি মিনিষ্টর অমগা লন্নাই লূপ অমগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা য়াওনা শক্লাইরবা মীওইশিংনা কোয়চেন চেনবা থেংনৈ হায়রকখি।

অদুবু শাবা লোইশিল্লক্লবা মতমদদি তঙাইফদনা আই এম সী খঙহল্লক্তবা য়ারক্তবদগী ঐখোয়গী নাক্তা লাকখি অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু টেম্পররি মার্কেটতা নৌনা শাগৎপা লোইরবা অনৌবা মার্কেট সেদ/ভেন্দিং সেদ অসিগীদমক প্রপোজেল অমা থাগৎলকউ হায়রকখি। মসিদগী অঙম্বশিংনা হায়রকপনিনা আই এম সীগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা এঞ্জিনিয়রনচিংবা থারগা শাবা লোইশিল্লক্লবা মার্কেট সেদকী ফীভম য়েংশিল্লগা ইষ্টিমেটনচিংবা চাওরাক্না লাকশিল্লগা শেম শাখি। অদুগা শাবা পূমলোই লোইরবা মতুং মমাঙ থাগী ৫ (ওক্টোবর ৫, ২০২১) দা আই এম সীগী মায়কৈদগী প্রপোজেল অমা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টর (মাহুদ) তা লানখৎখি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা প্রপোজেল অদুগী ওফিসল কোপিগী মতুংইন্না প্রপোজেল অদুগী নম্বর আই এম সী/৫৪/আর ও/ষ্ট্রীট ভেন্দর/২০১৪-১৬নি হায়রি।

অদুগা প্রপোজেল অদুদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী টেম্পররি মার্কেটতা কৈথেল অসিগী মনুং অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংবু পোৎফম পীনবগীদমক ভেন্দিং সেদ শানবগী লুপা ২,২৬,৩১,২৫৫গী ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীবিয়ু হায়দুনা হায়জখিবনি হায়রি।

মতাংসিদা চোঙথোরক্লিবা ৱাফমদি আই এম সীগী ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর কে চন্দ্রকুমারনা মাহুদকী দিরেক্টরদা ওক্টোবর ৫, ২০২১দা পীখিবা প্রপোজেল অদুদি টেম্পররি মার্কেট অসিদা অনৌবা মার্কেট/ভেন্দিং সেদ শাবগী থবক পূমলোই লোইশিল্লবা মতুংদনি হায়বসিনি। প্রপোজেল অদুগী কোপিশিং মাহুদকী কম্মিস্নর অমসুং আই এম সীগী এদমিনিষ্ট্রেটরদসু পীখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল শুকখঙ খঙহল্লমদনা অমসুং মরী লৈনহল্লমদনা শাবা লোইশিল্লক্লবা টেম্পররি মার্কেটকী অনৌবা সেদশিং অসিদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ষ্ট্রীট ভেন্দরস ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট লাইতোঞ্জম বেদ অমসুং সেক্রেটরি য়েংকোকপম রোমিতা অনীনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মখোয়গী য়ুনিয়নগী পোৎফম ফম্বী ৩৩০বু অনৌবা শাবা লোইশিল্লক্লবা কৈথেল অসিদা পোৎফম ফম্বা য়াহনবীয়ু হায়দুনা সিভিল রিট পিটিসন ৭৮৫ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকপা লৈখি।

পিটিসন অসি মাহুদকী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসল অমগী মথক্তা মখোয়বু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি। সিভিল রিট পিটিসন অদু চৎলিবা থা অসিগী ১৬তা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগা খন্নখি অদুগা কোর্টনা ওফিসল রেস্পোন্দেন্ট অনীমক্তা মথং থাগী ২১ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিস ইস্যু তৌখিবনি। লোয়ননা কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ওইরিবা দিসেম্বর ২১, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা নৌনা শাবা লোইরবা টেম্পররি মার্কেট অসিগী মার্কেট/ভেন্দিং সেদতা কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা ভেন্দিং লাইসেন্স অমত্তা পীবা য়ারোই হায়নসু খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, খ্বাইরম্বন্দ বজার ষ্টোল এসোসিএসন (রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ৩৩৭/এম/এস আর/১৯৯১) গী হান্নগী সেক্রেটরি কে তরুননা মতম খরগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদ পাকথোরকপদা শোকখিবা দুকানশিং অদুগী মতাংদা কোর্টকী মতেং লৌরমদ্রবদি দুকান খুদিংমক মথোং মরম খঙদনা পুম্মাং মাঙলম্বসু য়াই। অসুক্কী মতিক নমথাক তৌবীখি হায়না লৌবা য়াই। হৌজিকসু ইফোং ফোংনা প্রমান লৈরি মদুদি হান্না লৈরম্বা দুকান নত্তবা অনৌবা মীওই অমত্তদা অনৌবা দুকান নৎত্রগা ভেন্দর লাইসেন্স পীরোই হায়খিবনি। অদুবু পি দি এনা লোন্না শাজিল্লগা থল্লম্বা মতমদুদনা গোদাউননি হায়খিবা কয়া অদু দুকান ওইনা ফল্লক্লে। পুরানা বজারগী দুকানশিংদি মখোয়গী সাইজ শুনা পীদবগী কমপ্লেন্ট তৌখিবা লৈরিবনি।

অদুম ওইনমক টেম্পররিনি, মতম খরা ফম্মিন্নরসি অমসুং সোপ্পিং মোল শাবদা য়েংশিনগনি হায়দুনা অৱাবা খাঙলিবনি অদুগা অমরোমদনা অরোনবা দুকান কয়া অমা য়াওরল্লি। ঙারি য়োনবশিংগী দুকান হোংজিনখ্রবা মতুং মখোয়না ফল্লম্বা দুকানশিং অদু লোইনা অনৌবা মীওইশিংনা ফম্নরি। দুকান পরেং পরেংশিংগী মরক্তা লোৎতুনা এলোটমেন্ট পীদনা থল্লম্বা অরোনবা দুকান কয়া অমসু অদুম ফম্নরি। কনানা করম্না এলোটমেন্ট পীরিবনো হংবা য়াবা ৱাহংনি। রেভিন্যুনা করম্না কনাদা কারিবা, মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভেলপমেন্ট এন্দ পোভর্টি এলিভিএসনগী শেন্থংদা শাখিবা ময়াম অমা অমসুং শাগনি হায়না গৌহাটি হায় কোর্টনা ওর্দর পীখিবা সোপিং মোলদি হৌজিক ফাওবা চহী ১৫/১৬ অসি লুনি-ঙানি খঙদনা ঈশিং মনুংদা লুপ্পগা লৈখিবগা মান্নরে। শাখ্রিবা টেম্পররি মার্কেট সেদ অসিসু টেম্পররি ওইবনিনা ক্বালিটি মেন্টেন ফজনা তৌবীরমদে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## রাজেস ফিলেম ১দি মৈরাবনা টাটা...

*লামায় ১গী মখা...* ইনফোটেনমেন্টনচিংবনি। কার অসি লিটর অমনা কিলোমিটর ১৯.৫ কী মাইলেজ পীরি। কার অসিগী ষ্টার্টিং প্রাইজনা ৫,৬১,৯০০নি। কার অসি তোঙান-তোঙানবা মচু মঙাদা ফংগনি। লোয়ননা টাটা পঞ্চ কার অসি পঞ্চ পিওর, পঞ্চ এদভেনচর, পঞ্চ একোমপ্লিস অমদি পঞ্চ ক্রিএটিভ হায়না মখল মরিদা ফংগনি। হায় টেক্নোলোজি অমদি মতমগা চুন্নরবা এদভান্স ওইবা কার অসি মীয়াম্না টিদ্দিম রোদকী ইম্ফাল কোলেজগী মায়োক্লবদা লৈরিবা এম/এস টিদ্দিম মোটর্সতা লেংবিরক্তুনা বুকিং তৌবিরবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা টাটা মোটোর্স (ইষ্ট ৩)গী টেরিটোরিএল সেল মেনেজর মোলোয় ভটচার্জি, তোঙান-তোঙানবা মণিপুরদা লৈরিবা বেঙ্কশিংগী মেনেজর, ষ্টাফশিং, বেদমিন্টলগী শান্নরোই মৈরাবগী অপোকপা রোমেশ লুৱাংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লমদম অসিগী শক্লাইরবি শৈশকপী জসমিন লৈবোননা ফজরবা ঈশৈশিং শক্তুনা মীয়ামগী পুক্লিং শুমহৎখি।